## এডিটোরিয়েল

# লম্বী চৎপা হৈতবা

সরকারনা কন্না হোৎনদুনা ষ্টেটসিগী লম্বীশিং পাকথোক চাওথোকহনখ্রে। অদুবু লম্বী চৎলিবশিংনা লম্বীগী অপাকপা অদু ঙসিসু কাউদুনা লৈবগুম উই। লম্বী পাকথোক্তে হায়বগী নিঙাই তৌরিবা মীয়ামদুনা লম্বী চৎপদি হৈতে হায়না লৌবা য়াই। মসি নুমিৎ খুদিংগী চখোক চৎশিন তৌরিবা মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বীগী নিয়ম অসিনা তাকই। হৌজিক ঐখোয়না উরিবসি হান্না চৎনরম্বা য়াম্না পীকপা কয়লাস থাবা লম্বী অদুখক্তমক চৎনবা য়াবা লম্বীদৌনা উরগা মদুখক্তদা চৎনবা হোৎনরি। পাকথোকখ্রবা লম্বী অসি য়েংলুরগদি য়াম্না পাক্লবা লম্বী অমা ওইরবনি হায়বসি মীয়ামদা ঙসি ফাওবদি কোক্তা চুশিনবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা অপাকপা লম্বী অসিগী চিদাইদা গাড়ী কয়া অমা য়ুংনা নৎত্রগা ফৈনা খামজিন্দুনা থল্লি। মসিমক্লা লম্বী অসি অপীকপা হান্নগী লম্বী অদুগুম উহনবনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগদবা মান্দে। হৌজিক ওইরিবা লম্বীগী পাক–চাওবা অসিদা লম্বী পীক্লা উহল্লিবা অসি সরকারনা পাকথোক্লবা লম্বীনি হায়না মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই। মদু নৎত্রগদি মীয়াম্না হান্নগী অপীকপা লম্বী অদুদা অদুমক চৎনবা হোৎনরক্কনি। মসিনা তাক্লিবদি মীয়ামসু ভাব তাদবশিংগী মনুং চল্লগা লম্বীগী অপাকপা অসি তাকপা ঙমদবা সরকার অসিগা মান্নদুনা লম্বী অদুম পীক্লা চৎপগী মরম ওইগনি।

হায়নিংলিবদি পাক্লবা লম্বী অসিদা পীক্লা উহল্লিবা অসি মনীং মখা তৌনা লম্বীদা গাড়ী কয়া অমা খামজিল্লিবা অসিনা থোকহনবনি। মসি কন্ট্রোল তৌগদৌরিবা ওঠোরিটি অদুনা মথৌ তৌদবা হায়বদি সরকারনা মশাগী মথৌ পাঙথোক্তবা অমসুং অমরোমদনা মশাগী কোক অমফাওবা শিজিন্নদবা মতমগা চুনবা মখলগী অচৌবা গাড়ী থৌবা মীওইশিংনা নমদুনা থোকহনবা থৌওং অমনি হায়না লৌবা তাই। করিগুম্বা মশাগী ফোর হুিলর থৌবা মীওইশিংনা লৌশিং লৈবা তারগদি পাকথোক্লবা লম্বীসি চাওনা অদুমক উহনবা ঙমগনি। লম্বীনা পাকথোক্লিবমখৈ গাড়ী পার্কি তৌবা নুঙাই হায়না লৌরিবা মীওইশিং অদুনা মনিং মখা তৌরিবসি সরকারনা য়েংশিনবা তাবনি। মসিগী মতাংদা পনবা য়াবা অমনা নেসনেল হায়ৱেগা হেক নকশিন্না লৈরিবা য়ুমশিং অদুগী চংথোক চংশিনগী লম্বী অমদি সরকারনা পীফম থোকপনি। মদু পীদবদগী লম্বীগী মতাইদা গাড়ীশিং খামজিনবা তারগদি মদুসু সরকারগী অশোয়বা অমা ওইগদৌরিবনি। মসি পূন্নমক তোকথোক্লগা মীয়াম্না চৎকদবা লম্বীদা অথিংবা থম্বগুম লৈরিবা ফিভম অসিদি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা য়েংশিনফম থোকপনি। পূন্নমক ওইরবসু শেন্লিবা লম্বী অসিগী ওইরিবা মওং অসিদি পেন্নিংঙাই ওইবা লম্বী খুৎশেম ওইদবগী মথক্তা শেন্লিবা লম্বী অসি পাকথোকপগী মতিক চিল্লবা লম্বী অমা ওইহল্লিবসিদি মীয়াম্না খোঙজং চংশিল্লগা সরকারদা খঙহনবগী মথৌ তাবগুম থোক্লে। সরকারনসু, মীয়াম্নসু ভাব তান্নদবদগী হান্নগী অপীকপা লম্বী অদুখক্তনা চৎনবা য়াবা লম্বী ওইনা উবনি হায়না লৌবদা করি লানগদৌরি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### হায়নিংবতা হায়বা সরকারনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

লৈতোল শরু পান্দে হায়বদুমকনি ঙসি সরকারগী মন্ত্রি অঙম্বশিংনা পাঙথোক্লিবা প্রোগামশিং অসি। হৌজিক ম্যুনিসিপাল অমদি নগর পঞ্চয়েট মীখলগী মিটিং মফমশিংদা থাদনরিবা ৱাজাও কয়াসিনি তাবদা মথেল অমা ওইরিবসি। মরুওইনা লমদমসিদা য়াম্না কন্না ৱাতা–পাউদানরিবসি কংগ্রেস অমদি বিজেপি দল অনিসিনি। অতৈদি চুম্নগী পালা ওইনা শরুক য়াবা য়াওনা উপায় লৈরোই। কংগ্রেসনা ঙাংইবা লমদমসি মোডিগী ৱেভ লৈতে, কোঙ্গোলনি, কুইরোই, ধর্ম্মগী খলদা ঙাওজবা পার্টিনি ওইরোই হায়রি। নাকল অমদনা হন্দক্কী বাই–ইলেক্সন অদুগা কেন্দ্র অমমমদা কংগ্রেসকী এমএলএ য়াওনা মশীং অসি ৪৭ ওইরগসু অমদা সি এম খক কায়থোক্লগা ২৩ / ২৩ অনীনা কেন্দ্র অমমম পুনহনবদা করি থোকখি? মতমদুদা হায়নখি কংগ্রেস রুল্লিং পার্টিনা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়নখিবনি। হৌজিক লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল অমদি নগর পঞ্চায়ট অসিদদি মশীং য়াম্লবনিনা করিনো উরক্কদবা ফীরালশিংসে ? ঙাংবদদি কংগ্রেস ভেটারানশিং তশেংনা ঈশিং লিৎপা ঙমগদবা মানদে। শাংলবা চহী কয়া মখোয়না তৌরম্বসি থোইবীনা কেগেদা মনিং তম্না লৈরম্বদুমক্কি হায়নরিবনি। মখোয় মখোয়না মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরম্বদগী ঙসিদি মীতোপসু য়েন্থৌমী ওনখরে। নুপী অঙাং ঈজ্জৎ মাংহনবগী লেপ্পা নাইদবা নুংশিৎ অমসু শিৎপা হৌরে। মন্ত্রি ফম্নাইবা কয়া মীয়াম্নসু খঙলে উরে। মখোয়না মীয়াম উন্নবা লন থুম অমদি দুকান্দ প্লোট কয়া বিল্ডিং মথোল শাগৎলকইবসি মীয়ামগী য়েংলগা শারিবনি। মখোয়নবু ৱাত্রবদি চাবা থকপা ফংদ্রবা কয়াদা মেনগদৌরিবনি হায়দুনা চাওখৎ থৌরাং শেলফমসি মখোয় মখোয়গী চাওখৎ থৌরাং হান্না পায়খৎলিবনি। বিজেপি ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নায়বনি হায়রিবসি কংগ্রেসকী নিতি ফজবশিং ময়ামদগী ঙসি লুচিংবশিংনা মাগী ইমুং মনুনা অরানবশিং তৌরবসু অচুম্বা ওইহল্লি। মখোয় নত্তনা অতোপ্পা দল অমত্তনা লৈঙাক ফীদা ফমহন্নিংদে। মখোয়দি মহৌশাদগী হৈনরক্লবা চেদনা ফজবা ইথোক্লগা সোমদনা মশাগী ওক্লবা লৌশিন তাশিনবগী হৈনবীশিং অতোপ্পদসু ফংহন্নিংদে। মদুননি গান্ধী ফেমিলি ঙাক্তনা কংগ্রেসকী মশক নাইবা ওইদবদি কংগ্রেস মুৎখ্রগনি আশাদা খরা কনখৎলকপা দলশিংদা কন্না চৈরিবসে। মমাঙঙৈগী গান্ধি মাংখ্রবনিনা হৌজিক লৈরিবা চেদা য়েকপা গান্ধী অসিদি ওইদ পাদবা হৈবশিংগী মফমদতা লৈবনিনা ঙসিগী সরকার লুচিংবশিংসু গান্ধী নিতি চত্তুনা হায়নিংবতা হায়বা তৌনিংবতা তৌরদনা। হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল অমদি নগর পঞ্চায়ট মীখল অসিদসু পার্টি অসিনা মখাদা কুমদুনা গান্ধী নিতি চলাইখিবা মতমদা লমদমসি অহোংবা খরদি উবা ফংলনি। অহোংবশিং অসি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা থম্মোই শেংনা অচুম্বা তৌরক্লবদি ফীরাল মখোক তেক্কদবা লুচিংবা মন্ত্রি অঙম অথৌ খরদি য়াওদুনা ফৈজুপ ৱাংনা শুপকদৌরিবনি। লৈদা শরু য়াওদবনিনা ঐসু খরদি অচুম্বা ঙাংলবনি।

অদোমগী,
থোকচোম গোপাল মীতৈ
খাবী ময়াই লৈকাই

# মণিপুর অমসুং জেনরেল ভি কে নয়ার

১. মণিপুর জাতিগী পাউচে খুদিংমক্তা লেট (L) Lt. Gen. VK Nayar, Governer মণিপুর গী মফমদা তৌবীমল খঙবা পুজা অমা ওইনা অশেংবা মক্ত্রবা, খঙজবা খরা তমজরি। মাগুম্বা মী মণিপুরবু মতেং পাংবীবা ঙম্বা মী লাকপা ওইসনু হায়না নিজরি। ভি কে নয়ার মণিপুরগী মীতৈবু খ্বাইদগী নুংশিবা শান্নরোইশিংবু মচাগুম্না নুংশিজবা মীতৈ জাতি মুৎখিবা তারে হায়না য়াম্না ৱাবীবা মিপাইখিবা অশেংবা তুংগী উবা, General অমা ওইনা মণিপুরগী Strategic imporance খঙজবা তুংগী উবা Statesman অমনি। মহাক ইন্দিয়া, পাস্কিটান পাটিসন গী মতমদা পাস্কিটান ওইহৌরবা য়াম্না কল্লচর তৌবা Multan গী Punjabiনি হায়না Parachute regiment দা ৱারী শানৈ। Mrs Nayar ইশৈ ফজনা শকই। Army Welfare গী Family Welfare Pregramme Cultural কয়াদা artist অমা ওইনা লুচিংবী উই। VK Nayar বু Local paper অমদা ১৯৫১দা পোকই হায়ৱা ইখিবগুম তৌখি। মদু ১৯৩১ হায়গদবা ওইরমগনি । মহাক Leimakhong দসু GOC ওইরম্মী। Governor দুনা মুন্না খঙবা Manipur গী মীশিংগী মরক্তা ঐনা খঙজবা খরদংগী মরমদা ইজগে।

২. লৈখিদ্রা রা কে মারগ্ধজয়াজিট সিং (IFAS) – ঐনা পেরাজুৎ রিজিমেনদা এল টি . কেপ. মেজর ওইনা গৱালোর , অগ্রা নচিংবদা ৫০ পেরা বেদ তা লৈরিঙৈদা ভি কে নায়ার না Maj. LT Col. Brig ওইরিঙৈদগী মুন্না খঙনবত্তা নত্তনা য়াম্না লুনা তৌই। লুনা তৌবগী মরমদি মহাক Kaka Mardhujya গী লেব. লাদাখ তা কাকা না এ দি সি ওইরিঙৈদা য়াম্না লুনা তিন্নরকই হায়না মানা তম্মী। ভি কে নয়ার না লেহ দা বি এম( বিদেমাজ) ওইরিঙৈদা কাকা না ৱার্ল্ডগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা এলটিটুদ কী পোলোগ্রাউন্দ অসিনা পাকিষ্টান না খ্বাইদগী চাওথোকচবা ৱার্ল্ডগী খ্বাইদগী ৱাংবা গিলকিট কী পোলোগ্রাউন্দনি হায়জরম্বদো এম. জিট দা শেন্লম্বা লেহগী পোলোগ্রাউন্দনা খ্বাইদগী ৱাংলে হায়না নায়ারনা ঐঙোন্দা হরাওনা তমখি। মতমদুদগী মানা মণিপুরবু নুংশিবা হৌখিবা ওইনি।

৩। কাকানসু পনবীবা, ভিকে নায়ারনসু মরক মরক্তা পনবা লেহ গী নোবলমেন, কালোন হায়বা অমা লৈরম্মী, লৈরমগদবা মান্দ্রে। কাকাগী লোনগা ওইনি। মশা পারপ তৌরগা কাকাদগী হেল্লপ্পু ৱাংগনি। জম্মু–কাশ্মীরগী লেহ লাদাখকী ৱাঝিরগী ফেমিলিনি। মাগী সন–ইন–লো অমনা মোঙ্গোলিয়া দা এম্বাসাদোর, সন–ইন–লো অমনা আইপিএস নি। আইজি ওইহৌই। মচানুপী অমনা দোক্তর ওইরোই। ইন্দিয়াগী লেহ লাদাখ চৎপা ভিআইপি খুদিংমক্লা লেহদা কালোন বু উন্নরমদনা চৎতে। কালোন না কাকা, মাধুরিয়া বুদি লেহগী মী খুদিংনা কৌবগুম্ব রাজাহ সাহিব কৌই। ঐনা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন (এএমপিএ)গী টিম পুদুনা ইন্টরনেসনেল পোলো শান্নবা টিম পুদুনা চৎপদা কালোননা ঐগা লোয়ননা হোর্স রাইদিং টিমগী এম. শান্তিকুমার আইপিএস (রিটাইয়র) অদুগা পোলো প্রেয়র / কোস ডব্লিয়ু খেলেন্দ্র গা লক্ষ অমদা কৌই। মানা রাজাহ সাহিব (এম. জিট) তো মানা শেন্লম্বা পোলোগ্রাউন্দ সিদা শান্নবা য়েংবা পুরকউ হায়না ঐঙোন্দা হায়রকই। শেংবদি য়ৌদ্রবা ফোটো কাকাগী মরুপ কালোন, ডব্লিয়ু খেলেন অদুগা এম. শান্তিকুমার গী গ্রুপ ফোটো, লেহ গী পোলোগ্রুন্দদা ইন্টরনেসনেল গী অয়েংবা ঐখোয়গী প্লেয়র খরা ঐনা গ্রাউন্দ লেপ্পা খরা হাপচরি।

৪। Kaka না RIMS তা hospital দা লৈরিঙৈদা Leg fracture ওইরিঙৈদা ঐনা হংবা চৎচরুবদা "Gopal, Kolon গী চিঠি লাকই মথংগী Leh গী Polo দা ঐবু য়েংবা লাকউ হায়রকই, চিঠি য়ুমদা লৈহৌই খন্নমদ্রি হায়। খোঙ operation লোয়রগা খুম্মগে হায়। ঐনা য়াম্না নুঙাইনা মথংগী Leh দুদদি Polo গা ঐগানা সেবা তৌরগা Dusher (RK Dusheri Vice President গা লেংসি হায়না খুমখি। য়ুমদা নুঙাইনা হল্লকখি। অদুবু Kaka দি operation তৌরুদনা Hospital দা লৈখিদ্রে। মথংগী Polo দুগী Dusheri গা তান্নগে খনবা তান্নখিদ্রে। নোংমদুগী নুঙাইবা ৱাখন্দো ওন্নৈনবা নিঙমদবগী ৱাখল ওইহৌখি।

৫। Governor VK Neyar না মা Brigadier ওইরিঙৈ Agra দা লৈরিঙৈ মতম ফাওবদা Kaka গী ৱারী শাবা য়াম্না পাম্মী। মানা মরুওইনা Kaka গী politeness অদুগা Character, honesty, অদুগা games তা থৱাই য়াওবদো য়াম্না Admir তৌই। VK Nayar না Manipur গী Governor ওইরিঙৈ মতমদা CCMeet কী Tea Break অমদা ঐসু চৎপদা ঐনা মনাক্তা চংশিনবদা মানা "Rajkumar,you are the same Rajkumar, never seen never heard" হায়দুনা মখুৎ ওইনা ঐগী লেংজুমদা কোল্লগা য়েৎনা চা পায়দুনা থক্লগা ঐসু ওইনা চা পাইদুনা থক্লুগা ৱারী শানখি। ঙাইহাক্ লৈরগা Kaka (M.Jit) পু Governor না লাপতক্লা উখি। মানা Is it not your uncle M. Jit? ঐনা Yes, Sir হায়দুনা খুম্মী। মানা "Call him, tell him I am remembering him" ঐনা Kaka দা চৎলগা হংগৎলুরে। অদুদগীদি মখোয় ২ নোক নোক্তুনা Tea Break লোইবা ফাওবা ৱারী শানখ্রে। অদুগা ঐনা মতম খরা Ex-Servicemen না শীনবা Disable cell গী Director ওইনা পুরিঙৈদা, Disable শিংগী tri cycle, hearing aids নচিংবা কয়া Indira Park তা য়েনথোকপদা Governor VK Nayar লাক্তুনা য়েনথোকপিখি। N. Pahari গা ফজনা Introduce তৌনখি। RK Jai গা Pahari গা য়াম্না চান্নৈ হায়বা মা খঙই।

৬। মখাদা পঞ্জগদবা অসিদি খরা Political মক ওইদ্রবসু Commemt খরদি political ওইবা মাল্লে। মতাং অসিদি PR গী মতমদা RK Jaichandra গী মতমদা RK Jaichandra না Advice তৌরগা Governor না Manipur দা MLR and LR Act Extend তৌদুনা চৎনহনগদৌরে হায়দুনা CM Rishang Kieshing না অকন্বা loby তৌদুনা অদুগা Th. Chaoba নচিংবা MP অহুম্না Army না Governor ওইবা য়ারোই হায়না রিশাংগী অচানবা ৱাঙাংলোই ওইনা Governor Nayar বু থাংদোকখিবদা য়াওবা মতাংনি। মতাংসিদা Rishang Keishing না Christian netতা কংগ্রেসকী সোনিয়া গান্ধি ফাওবা য়াওনা লোবি তৌখি হায়না য়াম্না ওইথোকপা য়াবা থাজনখি। মতাংসিদা ঐনা মরিপুর গী এক্স সর্বিসমেন পুম্নমক্কী কনভেন্নর অমা ওইনা কোল. ঐচ.ভুবান, প্রসিদেন্ট বিজেপিনচিংবা পুম্নমক্কী সাইন তৌরগা ইন্দিয়া গী মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ.দি. দেভে গোদা দা মেমোরেন্দম অমা ২৪ অগষ্ট ১৯৯৬ তা পীখ্রবা মতুংদা অগষ্ট ১৯৯৬ তা এলটি. জেন ভিকে নয়ার এক্স গভর্নর বু মাগী রেসিদেন্স দা উন্নরুবা, মেমোরেন্দম গী কোপি অমা থিল্লুবগী অশেংবা ৱারীনি। মেমোরেন্দম অসিদি ঐনা ইবা ইন্টিগ্রেসন ওফ মণিপুর বর্সেস সিক্স সেদুল এন্দ ওদর দিমান্ড কী পেজ ১২৯ দগী পেজ ১৩৯ অদুগা মরী লৈনবা লেটর অমনা পেজ ১৪০,১৪১ দা য়াওরি। ইন্টরনেটতা ওইনা থাদোক্লগে। এক্স–গভর্নর ভি কে নয়ার গা ৱারী শানবদা মানা পল্লকপা ঐনা খঙবা মী খরদুগী মানা খনবা অশেংবদো ষ্টেটমেন্টসিপ ৱাংবা জেনরেল অমগী ৱানিনা মণিপুরগী কান্নগনি খন্দুনা ইজবনি। অপংবা মীগীদি মখোয়না পারবসু পাদ্রবসু অমত্তনি। পাবু পারোই। গভর্নর না ঐনা হেক চংবগা হায়রকই। য়াম্বেম লাবা সু ঙরাং–নহান্তা লাক্লম্মী।

৭। য়াম্বেম লাবা – ভিকে নয়ার না য়াম্বেম লাবাবু আউদস্পোকন ওইবা ফ্রেঙ্ক ওইবা, ইন্নরজেটিক ওইবা, মী অয়াম্বদা চংঙগা কনভিন্স তৌবা ঙম্বা মণিপুরবু নিংবা মীনি। মাগা পুল্লগা মণিপুরগী থবক তৌ, নঙগা চান্নদ্রবা হংলকই। ঐনা লাবাগী বোথ পেরেন্টসকী ইমুং মনুংগী য়াম্না এদভান্স ওইবা এদুকেটেদ এন্দ কলচর ফেমিলিনি হায়না ৱারী লিরম্মী। গেমস ভিলেজ শাবা মতমদা মতমদুগী সিএম রিশাং কৈশিংনা মীতৈ ভিলেজ দগী মীতৈদেতা তান্নবগী মওংদুদা য়াম্বেম লাবা না ওবজেক্ট তৌদুনা কন্না কন্না ইবদুদগী ঐনা লাবাগী মীতৈ নিংবা তুংগী উবনচিংবা মুন্না ৱারী শান্নখি। নয়ার না লাষ্টতা য়েস, ৱার্ক ৱীৎ হিম এন্দ দু মেনি থিঙ ফোর মণিপুর হায়রম্মী। ভি কে নয়ার না হায়ব। এমকে. পিবি সিংহ দি ওন্নরেবল, নোবল প্রিন্স নি। মাদি মীবু য়াম্না থাজগল্লি। মাদি চীংমী তম্মী মাগী প্রজা ওইনা উরি। পুম্নমক্লা খঙই। অদুবু মণিপুর, ম্যেনমার বোডর দগী ম্যেনমার গী কুকি শিংনা মশীং লাকঙমদনা মণিপুরগী মফম খুদিংদা খাক্তনা দেমোগ্রাফিক চেঞ্জ তৌবসি পিবি না য়াম্না দেঞ্জরনি খঙই। অদুগা অহল অদুক ওইরবসু বোডরদা মাগী টিমনা বাউন্দরী পিল্লর য়েংবা চৎলিবদুনি। মাগুম্বা ময়াম মাঙ্ঘ্রগা মণিপুরগী আইদেন্টিটি মাংখিগনি।

৮। এমএলআর, এল আর এক্ট এক্সটেন্দ তৌবগী মতাংদা ভি কে নয়ার না লেট সিএম আরকে জয়চন্দ্র সিংহ অদুগা লেট দি. সিএমআই. তোম্পোক সিংহ অনীমক্লা তৌরম্বা মানা য়াম্না থাগৎলি। অদুবু মখোয় অনীনা তৌরিবা অফমদুদি মতেং পাংদনা মখোয় ২বু ইনথুনবা পার্টি মনুংদা মখোয় ২ বু কল্লকপা ময়ামদো অফবদি য়াওদবনিনা মণিপুর মুৎপা য়াবগী ফিভমদা লাকপনি। আরকে জয়চন্দ্রা গুম্বা মী লৈখিদবা মীতৈ নখোয়গী য়াম্না মাংবনি। মাগুম্বা মাংখিবসি মণিপুর কনবা ঙমগদবা মান্দে। জয়চন্দ্রগা তোম্পোক্কদা মতেং পাংলন্নবদি এমএলএ,এলআর এক্ট চৎনদুনা মণিপুর য়ুনিটি ওইরম্মনি।

৯। ঐনা ভিকে নয়ারগী মরমদা ইবা এক্স আরমি শিংগী জোইন ষ্টেটমেন্টকী মেমোরেন্দম অদুগা সিক্স সেদুল গী মরমদা ইবদো য়াম্না মুন্না পারবা মতুংদা ফ্রিদম পেপরদা ফজনা ইবগী আরকে রোনেন্দ্র অদুগা সর্পোট তৌরিবা নহারোলগী থৌদাং, মতমদুগী কংলৈপাক মৈরা অদুগা ওপনলি সিক্স সেদুল থিংখিবা য়ুসিএম পুম্নমকসু এক্সলেন্দ হায়বা ৱাহৈনা থাগৎখি। ঐনা সেনিয়র এদভোকেট এস.লাখিকান্তা (শগোলবন্দ) না ঐবু ইনকরেজ তৌরকপা অদুগা কাকা মাধুরিয়া না ঐনা নাগা এদভোকেট শিংদা রিজোইনদর হনখিবদা হনবা ঙন্লক্তবদুদা ঐবু কৌরগা হরাওনা থকমিন্নখি। মসিসু ঐনা এক্স গভর্নরদা তন্নম্মী। ঐনা ইজরিবসি ফেমিলি ষ্টোরি ওইনা উবীগনু তমজনিংবা ৱারীদি লেট লেপ্টিনেন্ট জেনরেল ভিকে নয়ার গুম্বা গভর্নর ওইরম্বা ইন্দিয়া ঙাকপগী নেসনেল দিফেন্স কলেজ দা তমদুনা সেলেক্সন ফিয়ুস গী মনুংদা লৈবাক্কী ষ্ট্রেটিজি অমদি খঙমিন্নসি হায়বনি। অদুনা হৌজিক্তি পনবা ফাওবা ঙম্নখিদ্রবা এমএলএ এন্দ এলআর এক্ট কী মরমদা মানা হায়রম্বা ঐগী লাইরিক্কী পেজ ১২৯দা য়াওবদো ফ্রি ট্রান্সলেসন ওইনা থমজরি। ইন্টিগ্রেসন ওফ মণিপুর বর্সেচ সিক্স সেদুল এন্দ ওদর দিমান্ড. পেজ ১২৯ রিশাং কৈশিংনা নাগা শিংগী ইন্টরেসতা সিক্স সেদুল দিমান্ড তৌরুবদা হেন্না শিংবা কুকি শিংনা য়াওশিল্লকপনি। মানা হায়রম্মী সিক্স সেদুল ইন্দিয়াগী কনষ্টিটুয়েনসিগী মতুংইন্না মণিপুরদা ইম্পোইমেন্ট তৌগদবা নত্তে। রিশাংনা লোবি তৌরগা শেমজিনবনি। ভিকে নয়ারনা হায়।

১০। "ঐনা আরকে জয়চন্দ্র গা তান্নরগা মণিপুরগী মফম খুদিংদা এমএলআর এন্দ এলআর এক্ট এক্সটেন্ট তৌরগা মণিপুর পুম্ববু য়ুনিফোর্ম লো অমতগী মখাদা হিল ষ্টেট অপুনবা অমা ওইনা থমনিংবনি। মসিতনা মণিপুরগী অপুনবা ঙাক্লবগী কাইদনবগী পাম্বৈনি। (অদুবু মানা হায়) নাগাগা কুকিগগী ইথনিক ক্লাস লৈরবসু এমএলআর, এলআর এক্টকী ৱাহং লাকপদদি মখোয় অনী অমত্তা ওইনা পুনখিগনি অদুগা খুজিনগা ময়াগদা ঙাইরবসু ঙম্বা মখৈ চৎনদনবা থিংগনি। অদুনা ঐনা পিআর মনুংদা য়ারিবা মখৈ এক্সটেন্ট তৌরগা মরিপুর কন্নবা হোৎনরম্বনি। অদুবু রিশাংনা অকনবা লোবি তৌরগা মদু পাঙথোকপা ঙমদ্রিঙৈদা মফমসিদা অমুক হল্লকলিবসিনি।" ঐনা খনবদা রিশাংনা খৃষ্টান নেট, ট্রাইবেল নেট পুম্নমক শাগৎপদা সোনিয়া গান্ধিদা ফাওবা এমপি অহুম্না রিশাং কৈশিংগী মোদ পিচ (ৱানেক ৱাঙাংলোয় মনাই) ওইনা পাস এক্সপরিয়েন্স তগী খঙই মরিপুরদা আর্মিনা গভর্নর ওইনা য়ারোই হায়না মখৌ পোংনা ফত্তবতা হায়দুনা ৱা ঙাংখি। মতম মতমগী মতুংইন্না মশাগী ওইজবা থীবা, খুদোংচাবা লৌবা, লোয়েলটি হোংদোক হোংজিন তৌবা, মশাগী কান্নবা থীবদা মরৈবাক নিংমা শাজিন্নবা কাঙবুনি। রিশাং কৈশিংগী নুংগী ৱাখল্লোন মাগী খুজিন থৌরাংদি ইন্টিলেকচুয়েলশিংনা য়াম্না চেকশিন্না নৈনগদবনি। মাগী অশেংবা মচুদি মানা খল্লিবা তৌনিংলিবা থবক অদুনা মচু তাকচবনি।" পুম্নমক অসি ওইদুনসু খঙহৈবা রিশাং কৈশিংগুম্বনা মণিপুরগী নাগা কৌখ্রবা মরিপুর কৌখ্রবা তম্মী পুম্নমক মপা–মপু অমগী লৈমিন্নরম্বা ঈ মরী মচিন মনাওনি খঙবনিনা মাগী পুকচেন হোংলকপদি মাল্লি। মহাক কুকিনা কনানো মীতৈনা কনানো খঙফম থোকই।

# দি প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইট্স এক্ট, ১৯৯৩

**মমাঙ য়ুমশকৈশগী মখা...**

**৫শুবা তাক্তক**
**মীওইবগী হকশিংগী ষ্টেটকী কম্মিশনশিং**

করিগুম্বা অদুগুম্বা ৱাফম অমা কম্মিশন্না নৎত্রগা চৎনরিবা আইন অমগী মখাদা চুম্না লিংখ্রবা অতৈ কম্মিশন অমনা থিজিন হুমজিন্দুনা হান্ননা লৈরবা ওইরবদি ষ্টেট কম্মিশন অদুনা হায়রিবা ৱাফম অদুদা থিজিন হুমজিন তৌরোইদবনী।

মখাতাবদা, জম্মু অমদি কাশ্মীরগী মীওইবগী হকশিংগী কম্মিশনগী মরীদদি সব–সেক্সন অসি "সন্বিধানগী তরেৎশুবা সিদুলদা য়াওবা ২শুবা লিষ্টকা ৩শুবা লিষ্টকা" হায়রিবা ৱাহৈশিং অমদি অঙ্ক মশীংশিং অসিগী মহুত্তা, "জম্মু অমদি কাশ্মীর ষ্টেটতা শীজীন্নবা য়াবা সন্বিধানগী তরেৎশুবা সিদুলদা য়াউবা ৩শুবা লিষ্টতা অমদি ষ্টেট অদুগী অমদি অঙ্ক মশীংশিং অসিনা মহুৎশিন্দোকখ্রবগুম্না লৌরগা চৎনগনী।

২২। ষ্টেট কম্মিশনগী থৌবুরেলগা অতৈ মেম্বরশিংগা হাপ্পাঃ

(১) থৌবুরেলগা অতৈ মেম্বরশিংগসি গভর্নরনা মশাগী খুৎই অমদি চাজুম্না চুন্নবনী হায়বা উত্তুনা হাপকনী,

অদুবু সব–সেক্সন অসিগী মখাদা ফম হাপ্পা খুদিংমক–

(এ) চিফ মিনিষ্টর – থৌবুরেল

(বি) লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী স্পীকর – মেম্বর,

(সি) ষ্টেট অদুদা হোম দিপার্টমেন্টকী থবক পুরিবা মিনিষ্টর–

**মেম্বরশিং –য়াওবা কম্মিটি অমগী পাউতাক ফংলবা মতুংদা তৌগনীঃ**

মখাতাবদা করিগুম্বা ষ্টেট অমদা লেজিস্লেটিভ কাউন্সিল অমা লৈবা মফমদদি কাউন্সিল অদুগী থৌবুরেলদুগা কাউন্সিল অদুগী ওপোজিসনগী লিদর অদুগসু কম্মিটিদুগী মেম্বরশিং ওইগনী,

অদুগা অমুকসু হৌজিক হৌজিক ওইরিবা হায়কোর্ট অমগী জজ নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট জজ অমবু মরীলৈনবা ষ্টেট অদুগী হায় কোর্টকী চিফ জষ্টিসকা ৱা তান্নরবা মতুংদা নত্তনা হাপ্পোইদবনী।

(২) কম্মিটিদুদা ফমহাঙবখক্তগী মরম্না ষ্টেট কম্মিশনগী থৌবুরেল অমা নৎত্রগা মেম্বর অমা হাপ্পদা চৎনবা য়াদবা ওইরোই।

২৩। ষ্টেট কম্মিশনগী মেম্বর অমা লৌথোকপাঃ

(১) সব–সেক্সন (২)গী ৱারোলশিংগী মখা পোন্ন, প্রসিদেন্টনা সুপ্রীম কোর্টতা থারক্লগা, সুপ্রীম কোর্টনা মদুগী মতাংদা শেন্নবা থৌওঙগী মতুং ইন্না থিজিন খোৎচিন তৌরগা, প্রমান তৌরবা লমচৎ ফজদবা নৎত্রগা মতীকচাদবগী য়ুম্ফম খক্তদা থৌবুরেলদুবু নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা অদুগুম্বা মেম্বরদুবু ওইরবসু অদুগুম্বা য়ুম্ফম অমদা লৌথোকফম থোকই হায়না পীরকপা পাউদমদা থৌবুরেলদুবু নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা মেম্বর অমবু লৌথোক্কদবনী।

(২) সব–সেক্সন (১) দা অমা অমা হায়জরবসু–

(এ) শেলশিংবা ঙমদ্রবনী হায়না ৱায়েনশঙনা লাউথোক্লবা, নৎত্রগা

(বি) থবক পুরিঙৈগী মতমগী মনুংদা মাগী ওফিসকী মথৌশিংগী ৱাংমদা শেল ফংবা থবক তৌরবা, নৎত্রগা

(সি) পুক্নিঙগী নৎত্রগা হকচাংগী ওইনা শোন্থরকপনা মরম ওইরদুনা থবক তৌবা অদুম চত্থবদা মতীক চাদ্রবা, নৎত্রগা

(দি) পুক্নিঙগী ফীভম ফৎচিল্লক্ত্রবা অমদি মতীকচাবা ৱায়েলশঙ অমনা অসুম্না লাউথোক্লবা, নৎত্রগা

(ই) প্রসিদেন্টকী পুক্নিঙদা হন্থবা লমচৎ চৈন্নে হায়না নীংবা আইন্না য়াদবা থবক অমা তৌবগীদমক মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীরবা অমদি কৈশুম শঙদা থম্নবা চৈরাক পীরবা–ওইরবদি

প্রসিদেন্টনা য়াথং অমা থোক্তুনা থৌবুরেলদুবু ওইরবসু নৎত্রগা অতোপ্পা মেম্বরদুবু ওইরবসু থবক্তগী লৌথোকপা য়াই।

**২৪। ষ্টেট কম্মিশনগী ওফিস পায়বগী মতমঃ**

(১) থৌবুরেল অমা ওইনা হাপ্লবা মীশক অমনা মানা থবক হৌবগী তারিখ অদুদগী চহী মঙাগী মতমগা নৎত্রগা মহাক মশাগী চহী মখা মথং য়ুমশকৈশদা...